Secondary Education Board of Assam (SEBA)

Class 9 & Class 10 Syllabus

তম্ন লাইরিক, মণিপুরী ঃ অহানবা লোন

SUBJECT CODE - 08

(ক) মাংওইননা হায়গদবা ৱা খরা

শ্রেণী ঃ ৯ অমসুং ১০

অহানবা লোনগী মনুং চন্না লোন তম্ননবগী পাম্বে তাবা, ৱা ঙাংবা, পাবা অমসুং ইবনচিংবা Skill শিং অসি নৈনবা অমসুং স্কিল শিং অসিদা হেন্না চাওখৎপা জ্ঞান ফংবা ঙমননবা পান্দম অদু মাঙদা থমলগা তম্ন-লাইরিক অসিগী তম্ননবা হিরমশিং অসি শেম্বনি। অহানবা লোন হায়বসি অমগা অমগা ভাব হোদোক-হোজিন তৌননবগী পাম্বে ওইবতা নত্তনা, সমাজ অসসুং সংস্কৃতিগী অশেংবা মশক খঙবদা অমদি সাহিত্যগী রসনচিংবা ভাব তাননবা হোৎনবদা ছাত্র-ছাত্রীশিংবু করম্না লমজিংবা ঙমগদগে হায়বা মাইঁগে অসোমদসু মিৎয়েং থমজবনি। মীওইবগী পুন্সি, লোন অমসুং, সাহিত্যগা মরি লৈনবা হীরম পুম্বা মাগী মাগী মগুণ অমসুং থাক্কী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা শ্রেণীদা চান চুননা চনশিন্নবা হোৎনজরি।

পান্দম ঃ-

১.০০ তমলিবশিংনা তারগা ভাষা-জ্ঞান, সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মমল খঙজনবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

১.০১ অৱাঙবা, ফজবা মমারোন্‌গী অচুম্বা খোম্হোক, পরিংচুমনা পাবা লেকচর তৌবা, রেডিওদা ৱা ঙাংবনচিংবা তাব ফঙজবা।

১.০২ অচুম্বা মওংদা ৱা-ঙাংবা পাবা, অচুম্বা খোম্হোকনচিংবা পাবা ঙমগনি।

১.০৩ ৱারী-ৱাতাই, নাটক, রেদিওগী ৱারোলনচিংবা তাবদগী মখোইনা অর্থ অমসুং রসনচিংবা খঙজবা ঙমগনি।

২.০০ লাইরিক তমলিবশিংনা চুমনা ৱা ঙাংজবগী শক্তি তানশি' নজবা ঙমগনি।

২.০১ ফজবা লোনগী অচুম্বা উচ্চারণ, ৱাহৈগী মখল মথেল তাবদা নুঙাইবা, ঙাংথোকপদা ফজবনচিংবা হৈনবগী উপায় মখোইনা ফংজগনি।

২.০২ ঙাংথোকপদা লানবদু মরোমদোম চুমথোকচবগী শক্তি মখোইনা ফংজগনি।

২.০৩ মতাং চানা ৱাহৈ শিজিন্নবা, প্রমাণ পাষ্টে শিজিন্নবা ঙমগনি। মতাংসিদা পন্‌গদবা ৱাফম অমনা - শ্রেণী খুদিংগী অতমননা খন্দোকলিবা, প্রমান পাষ্টে, (idioms) বাক্যাংশ অমসুং খণ্ডবাক্যনা চিংবগী মরমদা অরেপ্পা পান্দম অমা লৈগদবনি।

২.০৪ যুক্তিনা ভাবকী পক্তি কায়হন্দনা, নৈনবদা, ৱায়েংনবদা খুদকতা ৱা ঙাংবদা (extempore speech) দা শরুক য়াবা ঙমগনি।

২.০৫ জাতীয় সংগীত অমসুং রাষ্ট্রীয় সংগীতপু অচুম্বা উচ্চারণ অমসুং লয়গা লোয়ননা অকরু বা মতমগী মনুংদা শকপা ঙমগনি। অদুগা অনিমক্কী অর্থসু তাকপা ঙমগনি।

৩.০০ মহৈ তমলিবশিংনা লাইরিক পাবগী মওং নিংথিনা খংজবা ঙমগনি।

৩.০১ ৫ শুবা শ্রেণীদা মিনিটতা ৱাহৈ ৮০ দগী ৯০ ফাওবা মখোন থোকনা পাব ঙম্নি। অদুগা মসিগী মথক্কী শ্রেণীদনা ৱাহৈ ৮০ দগী ৯০ ফাওবা অমসুং মসিদগী হেন্না পাবা অমসুং

শৈরেং থিবা ঙমগনি।

৩.০২ পুক্লিং হুবা মওংদা লেকচর, শৈরেং থিবা অমসুং নাটকতা মপুং ফানা শরুক য়াবা ঙমগনি।

৩.০৩ মখোন থোকতনা য়াংনা মিনিট ৫ গী মনুংদা ৱাহৈ ১২০ দগী ১৪০ ফাওবা অদুগা ৬ শুবগী মথক্তি ৱাহৈ ১৪০ দগী ১৫০ ফাওবা পাবাঙমগনি।

৩.০৪ পাবগী পাম্বৈনা ঃ

(ক) রচনাগী ৱাখল পোকহনমি।

(খ) সাহিত্যগী রস থকচবা ঙমদুনা নুঙায়জবা ঙমগনি।

(গ) সমাজগী নিতিগী শিহা ফংজবা ঙমগনি।

(ঘ) সুর, লয় অমসুং ধ্বনিচ্ছন্দগা কোন্ননা কাব্যগী নিংথিবা মশক খঙজবা ঙমগনি।

(ঙ) শৈরেং থিবদা শৈরেংগী রস চুপচবা ঙমগনি অমসং অতোপদসু চুপহনিগনি ।

৩.০৫ তমলিবা হিরম অদুগী মরমদা মচং ওইবা ৱা খঙজবা অমসুং জ্ঞান ফংজবা ঙমদুনা মরম্নাই ওইবা লৌশিং ফংজগনি।

লাইরিক অমলিবশিংনা ঃ-

(ক) মচাকশিংদো নিংশিংবা ঙমগনি।

(খ) হীরম খিবিক্কীপু চাংদমনদুনা অমগা অমগা লৈনরিবা মরি অদু চাংদমনদুনা উৎপা ঙমগনি।

(গ) শন্দোক্না ব্যাখ্যা তৌবা ঙমগনি।

(ঘ) খুদম উৎতুনা তাকপা ঙমগনি।

(ঙ) লেখক অমসুং কবিশিংগী ৱা মশাগী ওইবা লোন্দা নিংথিনা তাকপা ঙমগনি।

(চ) তম্নরিবা লাইরিক্কী মপান্দগী মখোইনা ৱাহংগী পাউখুম মগুণ চেনবা মতিক চাবা লাইরিকসু খন্দোকপা ঙমগনি।

(ছ) লোনগৈ (dictionary), শব্দকোষ বিশ্বকোষ encyclopaedia শিজিন্নবা ঙমগনি।

৪.০০ তমলিবা অঙাংশিনা করম্না চুমন নিংথিনা ইবগী মরৌশিং লৌশিজনবা ঙমগনি।

অঙাংশিংনা ঃ-

৪.০১ তারগা ইবা নত্রগা অসুম য়েংলগা ইবাগী মনুংচন্না ক্লাশ VII ফাওবদা বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা ময়েক ইবা, বানান চুমনা ইবা অমসুং য়াংনা মখুৎ চৎনা ইবা ঙম্বগী পাংগল ফংজগনি।

৪.০২ সরল, যৌগিক অমসুং,জটিল মখল অহুমগী ৱাহৈ পরেং শিজিন্নদুনা মশাগী ভাব ফোংদোকচবা ঙমজগনি।

৪.০৩ মশানা শেমজবা মরিকচুম্বা পোৎশক অমা, ফংজরকপা জ্ঞান, লাইয়েকতুনা ফোংদোকপা ঙম্বগী শক্তি ফঙই অমসুং চহি মতাংগা চূন-চাননা সমালোচনা তৌবা ফাওবা ঙমগনি।

৫.০০ তমখৎচরকলিবা অঙাংশিংনা মশাগী ভাব অদু অৱাংবা থাকতা নিংথিনা ফোংদোকপা ঙম্বগী শক্তি ফংগনি।

৫.০১ মখোইনা চানবা ৱাহৈ, প্রমাণ পাহ্ণৈ (idioms) মতেক মতেক ওইবা ৱাহৈ পরেং (খণ্ডবাক্য) ৱাহৈ পরেং মচেৎ (বাক্যাংশ) না চিংবসি খন্দোক্পা ঙমগনি।

৫.০২ মখল মখলগী ওইবা ভাব তোঙান-তোঙানবা পন্দুপতা (অনুচ্ছেদ) ফোংদোকপা ঙমগনি।

৫.০৩ মশাগী ভাব অদু ইদুনা ফোংদোকপা মতমদসু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী অমসুং মশাগী ওইবা মওংদা ফোঙদোকচবা ঙমগনি।

৫.০৪ অচুম্বা অর্থ মান্নবা ৱাহৈ ওন্ন-তৈন্নবা অর্থ চেনবা ৱাহৈনচিংবসি শিজিন্নবা ঙমজগনি।

৫.০৫ লাইরিকতা চল্লিবা হীরমগা চুননা মশাগী কল্পনাসু শিজিন্নবা ঙমজগনি।

৫.০৬ অফাওবা অইবশিংগী ইবা পাবনা চিংবা মশাগী পামজবা মওংদা পুননবা অমদি শিজিন্ননবা লাকনরক্কনি।

৬.০০ নৌনা তমখৎলকইবশিংদা ইবা পাবনচিংবা মশাগী পামজবী মওংদা পুননবা অমদি শিজিন্ননবা লাকনরকই।

৬.০১ পুক্কিং হুবা, কান্নগদবা খবর চে অমদি নৈনবা ৱারেংনচিংবসি পাবা ঙমগনি।

৬.০২ লাইব্রেরীদা লাইরিক কয়ামরুম পারক্কনি।

৬.০৩ মেগাজিনদা, খবর চেদা, মশাগী অইবা ফোংদোক্লনবা হোৎনরক্কনি।

৬.০৪ মখোইনা, খবরচেদা, মশাগী অইবা ফোংদোক্লনবা হোৎনরক্কনি।

৭.০০ তমখৎচরকলিবা অঙাংশিংনা অতৈ অতোপপা লোন্দগী মমালোন্দা হন্দোকচবা ঙম্বগী শক্তি ফংলক্কনি (৯ অমসুং ১০ শুবগী ৱাফমনি)।

৭.০১ মপুং ওইরিবা (মূল ভাষা) লোনগী ৱাহৈ, ৱাহৈ পরেংনচিংবা লৌশিনজবা ঙমজরক্কনি।

৭.০২ অচুম্বা ৱাহৈ পরেং মতেক (খণ্ডবাক্য), প্রমাণ পাহৈ (idioms) নচিংবা শিজিন্নবা ঙমজরক্কনি।

৭.০৩ মরু ওইবা ভাবকী মরি থম্বা ঙমগনি।

৭.০৪ মপুং ওইবা লোন্দা ফোঙদোকলিবা শরুক অমদা কান্নদবা ৱাহৈ পরেংশিং অদু লৌথোক্লগা মরু ওইবা ভাব অদু মওং কাইহন্দনা থম্বা ঙমগনি।

৯ অমসুং ১০ শুবা

৮.০০ অরিবা কবিতা অমা অনি য়াওরবসু কাইদে তৌবগীদি পরেং ২০ মুকতগী হেল্লাইদবনি। শ্রেণী অনি অসিগী লাইরিক্কী চামদা ৭৫ দি পদ্য অমসুং ২৫ না কবিতা ওইগদবনি। য়ামদ্রবাদ ৫০% দি সাহিত্যদা য়ুম্ফম ওইবা ওইদগবনি। লাইরিক অসি লমাই ২৫০ মুকতি চনগদবনি। মওংনা ১/৮ ডিমাই অমসুং ময়েকণা পোইণ্ট ১২ কী ময়েকতা ওইগদবনি। নৈনবা ৱাহংনা চিংবদদি পোইণ্ট ১০ গি ময়েকনসু য়াই।

৮.০১ শ্রেণী অসিগী লাইরিক্তা, অতোপ্পা মীদা করমনা ৱাখললোন থম্বা, নোমজমনবু ইকাইখুম্নবা, বিশ্বভাতৃত্ব, পুক্নিং থৌগৎপা লুচিংবা করম্ন ওইগনি, থৌজালহৈবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা, অচুম্বা ফীরেপ লৌবা অমসুং মশাবু থাজবা ঙম্বা (আত্ম বিশ্বাস) না চিংবা ৱাখল্লোন অসি তাব ৱারেং শৈরেং ওইগদবনি। খন্‌গৎপা পারাদি মখাগী অসুমনা ওইগদবনি। ঐতিহাসিক ঘটনা, শান্না-খোৎনবা, পুন্সিৱারী

(autobiography), কলা সংগীত রাজনীতি সাহিত্য, নোকপা অমসুং ফাগীদা য়ুম্ফম, ওইবা ৱারেং সংস্কৃতি, লম লমগী ওইবা সংস্কৃতি, জাতিগী পরিচয় work-experience, জাতিগী ইতিহাস, দেশভক্তি, অতোপ্পা লৈবাক্কী শকনাইবা মীশক অনিগী পুন্সিৱারী, রাষ্ট্রগী ইতিহাস অমদি দেশভক্তিনচিংবা ৱাফমশিং অসি মমি তাগদবনি।

৮.০২ ব্যাকরণ অমসুং রচনাগী মতাংদদি মমাংগী শ্রেণীদা নৈনখিবা মওং অদুগুম্না অদুম নৈনগনি। ক্লাস IX গী অসিদা মখাগী হীরমশিং অসি য়াওগদবনি।

(১) বর্ণ পরিচয় (২) ধ্বনি (৩) ৱাহৈ সন্ধি (৪) পদ (৫) ধাতু কাল (Tense) (৬) বচন (৭) বিভক্তি - প্রত্যয় (৮) কারক (৯) সমাস (১০) ওন্না-তৈনবা ৱারোল অমসুং অর্থ চপ মান্নবা ৱাহৈ (১১) ইদিয়োম (১২) ৱাহৈ পারেং মতেক (খণ্ড-বাক্য)। রচনাগী (composition) গী (item) দা-ভাব শন্দোকপা, ৱা মচং ইবা বাক্যচে ইবা, ডাইরি ইবা অমসুং অৱাংবা থাকী রচনা ইবনচিংবা অসি য়াওগদবনি।

Distribution of Marks		
Prose	-	30
Poetry	-	20
Letter writing	-	10
Unseen	-	05
Composition	-	25
Rapid Reader	-	10
Total	**-**	**100**

ব্যাকরণ অমুসুং রচনা

ক্লাস X গী মতাংদদি মখাগী হীরমশিং অসি য়াওগদবনি। মদুদি ভাব শন্দোকপা, ৱা মচং ইবা, ৱাকৎচে ইবা, ডাইরি ইবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী রচনা ইবা অসিনচিংবা অসি য়াওগদবনি।

সন্ধি, সমাস, কারক, বাচ্য, পাউদম ওনবা, প্রত্যয়।

Prose	-	30
Poetry	-	20
Grammar	-	15
Application/Essay	-	15
Extensive reading	-	10
Composition	-	10
Total	**-**	**100**

MANIPURI (MIL)

SUBJECT CODE - 08

Class - IX | **Time : 3 hours**

Full Marks : 100 | **Pass Marks : 30**

Unit	SUB-UNIT/LESSON	Marks	
		Half Yearly	Final
1.	মীতৈ কবি, নোংলাউ ঈশৈ, মিংচৎ থিবা	✓	✓
2.	অচম্বা ঈশৈ অমা,	✓	✓
	লৈ লাংবা, অথোইবীনি		
3.	মহৈ, চিন্দদা শ্লোক খীবা		✓
	ৱারেং (Prose) :		
4.	খুমাং চাউখৎলক্লিবা খুঙ্গংদু, ওলিম্পিক্কী ৱারি, খন্নু	✓	✓
5.	সমাজ অমগী অভিশাপ	✓	✓
	মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখিবা নুমিৎ, নুপীলাল		
6.	মায়োক্লবা, অঙাউবী		✓
7.	**রেপিদ রিদর** (Rapid Reader) :	✓	✓
8.	**ব্যাকরণ (Grammar) :** য়েক্তিন (সন্ধি), ৱাপুন (সমাস), থৌবাঙ (কারক), ৱাতপ (প্রত্যয়), পাউদম ওনবা, ৱাহৈ অমদা ওহ্নোকপা, ওন্ন-ৱাহন অমসুং মান্ন-ৱাহন, প্রমান-পাহৈ	✓	✓
9.	অরানবা চুমথোকপা/এমপ্লিফিকেসন/থৌদোক অমগী মরমদা ইবা	✓	✓
10.	পাউরৌ/নুংগী ভাব শন্দোক্লা ইবা	✓	✓
11.	Precis/Substance Writing	✓	✓
12.	Essay Writing	✓	✓
13.	Letter/Application Writing		
	Total	**100**	**100**

তম্ন - লাইরিক্কী মমীং : সাহিত্য লৈচন

* Questions from each Unit/Lesson will carry marks 2-15.

MANIPURI (MIL)
SUBJECT CODE - 08

Class - X | **Time : 3 hours**
Full Marks : 100 | **Pass Marks : 30**

Unit	SUB-UNIT/LESSON	Course	
		Half Yearly	Final
1.	শৈরেং ***Poetry :*** মৈতৈ চনু, মৈ, কবি	✓	✓
2.	স্মৃতি, মণিপুর,	✓	✓
	নুপা হায়বদো নঙতনি		
3.	লীলা, চাইনাপুং		✓
	ৱারেং ***Prose :***		
4.	মণিপুরি লোকসাহিত্য, ইন্টারনেটকী অখাবা-অথুম্বা, সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মরীদা নুপীগী থৌদাং	✓	✓
5.	উমংগী খোঙচৎ, শগোল কাঙজৈ	✓	✓
	মীওইবা সমাজ অমসুং সভ্যতা		
6.	অরুনিমা সিংহা-থাজবা অমসুং মথৌনাগী মিং অমা, চণ্ডালগী মচা, ভাইরস অমসুং তমথীরবা লায়নাশিং		✓
7.	রেপিদ রিদর ***(Rapid Reader) :***	✓	✓
8.	**ব্যাকরণ (Grammar):** All the grammar portion of class IX and the following **য়েক্তিল (সন্ধি), ৱাপুন (সমাস), থৌবাঙ (কারক), ৱাতপ (প্রত্যয়, পাউদম ওনবা, ৱাহৈ অমদা ওন্থোকপা, ওন্ন-ৱাহন্ন অমসুং মান্ন-ৱাহন্ন, ৱাহৈ পরেং শেম্বা, অরানবা চুমথোকপা**	✓	✓

Unit	SUB-UNIT/LESSON	Marks	
		Half Yearly	Final
9.	এমপ্লিফিকেসন/ থৌদোক অমগী মরমদা ইবা	✓	✓
10.	প্রেসি ইবা/নুংগী ঈচেল শন্দোক্লা ইবা/অর্থ হন্দোকপা	✓	✓
11.	Essay Writing /Application	✓	✓
12.	Comprehension (Unseen Passage)	✓	✓
	Total	**100**	**100**

তম্ন-লাইরিক্কী মমীং : **সাহিত্য লৈচন**

* Questions from each Unit/Lesson will carry marks 2-15.

MANIPURI (E)
SUBJECT CODE - 23
Class - IX

সাহিত্য লৈকোল

ৱারেং ঃ

লাইরিক অসিগী ৱারেংগী শরুক্তা য়াওরিবশিং অসি মহৈরোয়শিংদা মোরেল লেসন পীবা, মীতৈ সমাজগী ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা সমাজবু শেংদোক্লবগী মশক ওইবা, নাৎ অমসুং সংস্কৃতিগী ওইবা ৱারোল, মীতৈগী লোন অমসুং সাহিত্যগী শরুক অমা ওইরিবা মোইরাং কংলৈরোলগী ফজরবা ৱারী হায়বদি খম্বা অমসু খম্নুগী পুন্সি ৱারী মতেক খরা, অমদি ফোকলোরগী মরমদা ইবা ৱারোলশিংসু মতাং চানা হাপতুনা মহৈরোয়শিংদা খংহন্নবা হোৎনজৈ।

শৈরেং ঃ

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেংগী শরুক অসিদা পোক্লফম লমদম্বু নুংশিবা, মমারোলবু মীরাইরোইদবনি, ঈশ্বর লৈরি, ঈশ্বর মহাকতনা ঐখোয়গী চংজফমনি হায়বা ৱারোলশিং য়াওরি। মসিদসু নওনা মীওইবা সমাজগী মরক্তা লাইনিং লাইশোন খেন্নবদগী থোরকপা মান্নদবা মীৎয়েংশিং কয়াদগী ওইরকপা হাৎন-শুনবা কয়াসু মতাং চানা হাপচরি।

ব্যাকরণ ঃ

য়েকতিন, ৱাপূন, ৱাহৈ পরেং, পাউরৌ, ৱাহৈ পরেং চুমথোকপা, ৱাখল্লোল শন্দোকপা, হায়জ চেরোল, মণিপুরীদা হন্দোকপা।

রচনা ঃ

মহৌশাগী খুৎশেম, ইতিহাস অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং, শান্ন-খোৎনবা, মীথোই মীহেন্গী পুন্সি ৱারী, বিজ্ঞানগী ওইবা অসিনচিংবা য়াওরি।

MANIPURI (E)
SUBJECT CODE-23
CLASS - X

সাহিত্য লৈকোল

(১) ৱারেং ঃ

ৱারেংগী কাংলুপ অসিদা ফিদম্নীংঙাই ওইরবা শ্রীরামগী ৱারী য়াওরি। মহৈরোইশিংবু লমজিং লমতাকপীরিবা ওজা গুরুগা লৈনবা মরী অদুগী হৌরকফম অমসুং ঙসি ফাওবা চথরক্লিবা মরী অসিবু মহৈরোইশিংনা নীংশিংনবা ৱারেং হাপচরি। মহৈরোই অমা ওইনা শান্নখোৎনবা হায়বসি খংদ্রবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইরক্লে। পীক্লবা মণিপুরী হায়বা কাংলুপ অসিনা ওলিম্পিক্কী ক্ষেত্রদা ভারতকী মীহুৎ ওইনা শরুক য়ারুবগী ৱারী য়াওরি। অমরোমদা মণিপুরী সাহিত্যগী শরুক অমা ওইরিবা মোইরাং কংলৈরোলগী অরোইবা শায়োন্দা য়াওবা খম্বা-থোইবীগী ৱারীদা তুশোল্লবী খম্নুগী নুংশিরবা ৱারীসু মহৈরোয়শিংগী থম্মোয়দা লৈহৌননবা মতাং চানা হাপচরি। মসিদা নত্তনা লৈবাক নিংথৌনা মপুকচেন্দি মোৎলগা মপানথোংদা অফবা শাবা, হিংশা তৌবা থাদোক্তুনা অহিংশানা মালেম শান্তি পুরক্নবা হোৎনবা, লমগী মিংথোনখিবগী ৱারী, মৈতৈগী লৈরম্বা মায়াচৌশিং, মৈতৈলোন চাওখৎনবা হোৎনবা, ফুঙ্গাৱারী অমসুং কথোকপা অমগা লোইননা সমাজ সংস্কার তৌরম্বা মীওইশিংগী ৱারীসু মতাং চানা হাপচরি।

(২) শৈরেং ঃ

মণিপুরী সাহিত্যনা চহী 250 রোম তুম্লুরবগী তুংদা নৌনা মীকপ থোরকপা মতমদা ইরকপা শৈরেংশিংগী মনুংদা মমা-মচা, মচিন-মনাও, ওজা-গুরুগী মরী, মিংচৎ হায়বা অসিনা অথোইবা লন্নী হায়বা তাকপা, ঈশ্বরগী মফমদা চংজবা, ঙসিগী সমাজদা ওইরিবা মশক অমসুং ধর্মগী ফিদম্নচিংবা কয়া য়াওরি।

(৩) **ব্যাকরণ ঃ**

(ক) ৱাতপ (affix), সমাস (compound), শক্তাক (Gender), ৱাহৈ পরেং চুমথোকপা (Correction of sentence), ৱাহৈ পরেং শেম্বা (formation of sentence), ৱাশুপ, পাউরৌ শন্দোকপা।

(খ) Composition :

ৱাখল্লোন শন্দোক্লা তাকপা (amplification)

ৱা মচং ইবা (Precis writing)

(গ) Translation :

ইংরাজীদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা।

(৪) **Essay : (রচনাগী হীরমশিং) ঃ**

অকোইবগী ঈশিং নুংশিংকী ফিভম, ইতিহাস অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং, শান্ন-খোংনবা, মীথোই মীহেনগী পুন্সি ৱারী, লমকোয় ৱারী।

Group : A			**Group : B**		
ৱারেং	-	18	ৱারেং	-	17
শৈরেং	-	10	শৈরেং	-	15
ব্যাকরণ	-	18	রচনা	-	10
Translation	-	4	Composition	-	8
					50
			Total =		**100**

◆◆

MANIPURI (E)
Subject Code - 23

Class : IX | **Time : 3 hours**
Full Marks : 100 | **Pass Marks : 30**

Sl. No.	UNIT/LESSONS	Marks	
		Half Yearly	Final
1.	Textbook : Sahitya Leikol Group : A : Marks : 50 Time : 2 hours ৱারেং **Prose :** (i) অচুম্বা ঙাংবা জর্জ ৱাশিংটন (ii) য়েন তুনবা	✓	✓
	(iii) পান্থোইবী		
2.	শৈৰেং **Poetry :** (i) পোক্লফম লমদম	✓	✓
	(ii) একলব্য (iii) মৈতৈ চনু		
3.	ব্যাকরণ **Grammar :**		
	(i) সমাস (কম্পাউন্দ)	✓	✓
	(ii) ৱাহৈপৰেং চুমথোকপা	✓	✓
	(iii) চিঠি ইবা	✓	✓
	(iv) ৱাহৈপৰেং শেম্বা	✓	✓
	Total	**50**	**50**

* Questions from each Unit/Lesson will carry marks 2-15.

Sl. No.	UNIT/LESSONS	Marks	
		Half Yearly	Final
1.	**Group : B : Marks : 50** **ৱারে Prose :** (i) শলাং মাইবগীদা খন্নু অমসুং খন্বা (ii) ফিরুক নুংশাং কাইবা	✓	✓
	(iii) ফোকলোর		
2.	**শৈরেং Poetry :** (i) অনাবা (ii) আবাহন	✓	✓
	(iii) গঙ্গাজল		
3.	**Essay :**	✓	✓
4.	Amplification	✓	✓
5.	Translation	✓	✓
	Total		**100**

তম্ন - লাইরিক্কী মমীং ঃ সাহিত্য লৈকোল

* Questions from each Unit/Lesson will carry marks 2-15.

MANIPURI (E)

Subject Code - 23

Class : X | **Time : 3 hours**

Full Marks : 100 | **Pass Marks : 30**

Sl. No.	UNIT/LESSONS	Marks: Half Yearly	Marks: Final
1.	**Group - A** **Marks : 50 Time : 2 hours** ৱারে ***Prose :*** (a) ধর্ম কনবা রাম (b) ওঝাগী নুমিৎ	✓	✓
2.	শৈরেং ***Poetry :*** (a) অঙাংনা তেংথাবা	✓	✓
	(b) বারুনীগী অহিং		
3.	ব্যাকরণ **Grammar :** All the grammar portion of class IX and the following (ক) ৱাতপ (affix), ৱাপুন (compound) (খ) শীংতাক (Number), শক্তাক (Gender)	✓ ✓	✓ ✓
	(গ) ৱাহৈ পরেং চুমথোকপা (Correction of Sentence), (ঘ) ৱাহৈপরেং শেম্বা (Formation of Sentence)	✓ ✓	✓ ✓

Sl. No.	UNIT/LESSONS	Marks	
		Half Yearly	Final
4.	লোল হন্দোকপা **Translation** (From English to Manipuri)	✓	✓
	Total	**50**	**50**
5.	**Group : B Marks : 50** ৱারেং ***Prose :*** (a) ওলিম্পিক্তা মণিপুরীশিং (b) খম্নু	✓	✓
6.	শৈরেং ***Poetry :*** (a) ৱারবা জগৎ	✓	✓
	(b) মিংচৎ (c) শবনমগী মরিক অনীদং		
7.	**Essay Writing :**	✓	✓
8.	Composition (Substance, Precis writing, amplifition)	✓	✓
	Total	**50**	**50**

তম্ন - লইরিক্কী মমীং ঃ সাহিত্য লৈকোল

* Questions from each Unit/Lesson will carry marks 2-15.

Study Materials

aglasem.com

Model Papers

Sample Papers

Half Yearly Sample Papers

Important Resources

Periodic Table

Writing Skills / Formats

Maps of India / World

Notes

- [ ] Class 6 Notes
- [ ] Class 7 Notes
- [ ] Class 8 Notes
- [ ] Class 9 Notes
- [ ] Class 10 Notes
- [ ] Class 11 Notes
- [ ] Class 12 Notes

Books and Solutions

NCERT Books

NCERT Book Solutions

HC Verma Chapter Wise Solutions

RD Sharma Solutions

CGBSE Solutions